# সন্তোস ত্রোফি ঃ গোৱানা কেরলাবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা বেঙ্গলগা শান্নরগনি



পনাজি, মার্চ ২৩ : ষ্ট্রাইকর লিষ্টোন কোলাকোনা চনখিবা গোল অনীনা গোৱানা মফম অসিগী জি এম সী ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৭১ শুবা সন্তোস ত্রোফি নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা কেরলাবু লাকচনা তৌখিদুনা ২-১ দা মায়থীবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগদবা ফাইনেল মেচতা গোৱা অমদি বেঙ্গলনা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, মফম অসিগী বাম্বোলিমগী জি এম সী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ৩১ রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা বেঙ্গলনা মিজোরামবু সদন দেথতা ৬-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

গোৱা অমদি কেরলা অনীগী মেচ অদুদা ফীভম ফনা লৈরিবা গোৱানা মেচকী মিনিট ১৩ চৎপা মতমদা মসিগী ষ্ট্রাইকর লিষ্টোন কোলাকোনা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মেচকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা অমুকসু হন্না গোৱাগী ষ্ট্রাইকর লিষ্টোন কোলাকোনা গোল অমা চন্দুনা ২-০ দা লৈখি। অনীশুবা হাফতা কেরলাগী রাহুল রাজনা মেচকী মিনিট ৬১ চৎপা মতমদা গোল অমা ইক্লেলাইজ তৌদুনা গোৱাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ৩১ রক ওইখ্রবা বেঙ্গলনা মিজোরামবু সদন দেথতা ৬-৫ দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা মেচকী অপীবা মতম অমদি এক্সত্রা টাইমদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্ম দবদগী পেনালটি শুট আউট চত্থখি। মদুদা বেঙ্গলগী রানা ঘরামি, মানবির সিংহ, সমদ অলি মালিক, মমটাজ অখটার, এস কে ফাইজ, মোইরাংথেম বসন্ত সিংহনা গোলশিং ওন্থোকখি। অদুগা মিজোরামগী লালরামমাইৱা, রাম্ফাঙজৌবা, লালরামমুআংপুৱা, লালরিনছহানাচ অমদি লালচুৱানাওমানা গোল চনখি।

# এ আই এফ এফ অন্দর-১৬ একাদেমিগী ত্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) :

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা এ আই এফ এফ অন্দর-১৬ একাদেমিদা লৈননবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন অমা ইম্ফালদা চহীসিগী এপ্রিল থাগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা এ আই এফ এফ অন্দর-১৬ একাদেমি অসিগী ত্রাইএলগী মতম কোন্না লেপ্পল্কনি। হায়রিবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএল অসিদা এ আই এফ এফ অন্দর-১৬ একাদেমিগী হেদ কোচ ববিয়ানো ফর্ণান্দেজ শরুক য়াদুনা শান্নরোয়শিং অদু খনগনি।

মরম অদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মখাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) শিংনা হৈশিংলবা অন্দর-১৬ কী শান্নরোয় ৫/৫ মশা মশাগী দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেট, অধার কার্দনচিংবশিং থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি।


ত্রাইএল য়াওগদবা শান্নরোয়শিং অদু কুমজা ২০০২ অমসুং ২০০৩ গী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি। ত্রাইএল য়াওগদবা শান্নরোয়শিং অসিগী স্ক্রিনিং থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯ দা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা স্ক্রিনিং অসিদা শরুক য়ানবা শান্নরোয় ৫ খন্নবগী ত্রাইএল কম সেলেক্সন থা অসিগী ২৫ গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি।

দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্নরোয় ৫ খন্নবগী ত্রাইএল অসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা দি এস এ বিষ্ণুপুরদা এফিলিএট তৌরবা য়ুনিট অমসুং এসোসিএশনশিংগী শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেট অমদি অধার কার্দনচিংবশিং পুরক্কুনা কোচ এন সিবানন্দদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না দি এস এ বিষ্ণুপুরগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ঐচ জয়চন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৫

1. ক্রিকেট শান্নরোয় Steve Waugh কোলকটাদা লৈবা করম্বা চেরিটি হাওস অমগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনবগে?
2. প্লেন কায়বদা শিখিবা খা অফ্রিকাগী ক্রিকেট কেপ্তেন অদু কনানো?
3. এলাংবম ইবোহল সিংহ ফুটবোল শান্নবগা মরী লৈনৈ। নহাকপম মনি সিংহনা করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?
4. Sherlock Holmes করম্বা মার্সিয়েল আর্টতা হৈথোই শিংথোইবগে?
5. মহাক্না নূং হুনবদা হেন্না শান্নবা অনৌবা খুৎলং (Technique) অমা পুথোক্তুনা ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০ শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


# টি বি এস এফ এ ভেটরান কপ ফুটবোলদা ভি বি এফ এ এম কৈশাম্পাৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস) :

টি ঐচ বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমি (টি বি এস এফ এ) তাওবুংখোক্লা শিন্দুনা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা টি বি এস এফ এ ভেটরান কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ভি বি এফ এ এম কৈশাম্পাৎ মায় পাকখ্রে।

টিম ৯ না গ্রুপ ৩ দা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেচ অদুদা ভি বি এফ এ এম কৈশাম্পাৎনা এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দ গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ভি বি এফ এ এম কৈশাম্পাৎ পোইন্ট ৩ ফংদুনা গ্রুপ অসিদগী সেমী ফাইনেল চঙনবগী লম্বী শেম্বা হৌখ্রে।

এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দ অহানবা মেচ মায়থীখিবনা সেমী ফাইনেল চঙনবগী লম্বীদা অরুবা অমা ওইখ্রে। অদুম ওইনমক এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দগী লেমহৌরিবা মেচশিংদা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মায় পাক্তবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নরকপনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। মেচ অদুগী শান্নবা হৌখিবা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ১৫ শুবা মিনিটতা ভি বি এফ এ এম কৈশাম্পাৎকী শান্নরোয় জয়েন্তনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

ভি বি এফ এ এম কৈশাম্পাৎনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ মায় পাক্লবগী লম্বী শেম্বা হৌখ্রবদা গোল শোত্থরিবা এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দনা গোল হন্দাকপা ঙমদবদগী মেচ মায়থীহৌখি।

হয়েংগী মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী টিম আই ভি এফ এ কাঞ্চিপুর অমসুং মুসা মেজর খুলগা শান্নরগনি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):

লমদমসিদা ফুটবোল মশান্না হেন্না চাওখৎহন্নবা অমদি হেন্না ফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্নবগী পান্দমদা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালনা শিন্দুনা চহীসিগী এপ্রিল থাগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি।

দি এস এ থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াগদবশিংনা এপ্রিল ৩ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি।

থৌবালদা লৈবা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি চহী ৮ দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি থা ৩ চুপ্পা পাঙথোক্কনি।

# জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট টিম মরিনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ২৮ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী মতম খরা য়ৈথোক্তুনা থা অসিগী ২৮ দগী ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টিম ৪ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিম মরি অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশননি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী মেচ থা অসিগী ২৮ দা মেচ অনী শান্নগনি। অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল এসোসিএশনগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৪০ তাবা মতমদা দি এফ এ থৌবাল অমসুং দি এস এ বিষ্ণুপুরগা শান্নগনি।











